**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-11-2024)**

# অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ

(তাং ২৮-১১-২০২৪, শগোলশেন)

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরদা মহৈলোইশঙশিং হয়েংদগী মহৌশাগুম ক্লাস চথবা হৌরগনি।

২) ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চাগী মকোক-হেমন্ত সোরেন, ঝরখন্দগী মরিরকশুবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

৩) রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-লৈবাক অসিনা ঙাকশেলগী লমদা তৌবা ঙন্নশিং মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংনা মশক খঙনবা হৌরক্লি।

**অমসুং**

৪) বিরোধিনা চরাংনবা থোকহনবদগী সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**স্কুল (এল)ঃ** মনিপুরদা মহৈলোইশঙশিং হয়েংদগী মহৌশাগুম ক্লাস চথবা হৌরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে। রাজ্যগী এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এল. নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হয়েংদগী সরকারগী স্কুশিং-এদেদ, লান্নাই অমসুং সেন্ত্রেল স্কুলশিং মহৌশাগুম ক্লাস তৌরগনি।

অমরোমদা, হয়ার এন্দ টেকিকেল এদুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি-দারিয়াল জ্লি অনালনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মনিপুরদা লৈরিবা সরকারগী, এদেদ অমসুং লন্নাই কলেজ অমসুং য়ুনিভরসিতিশিংসু হয়েংদগী মহৌশাগুম ক্লাস তৌরগনি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** ম

**হোজাই (এল)ঃ** অসামগী হোজাইদা নুপী লাল অমসুং লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মীতমশিং খিনগদৌরি। মসিগীদমক পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম-মনিপুরগী মায়কৈদগী মীতম অনি খুৎশিন্নখ্রে।

মীতম অনি অদু মনিপুরি লিটরেরি এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী থৌমীশিং অমসুং হোজাইগী মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবনি। মীতমশিং অদু শিন্নবগা মরী লৈননা পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মনিপুরগী সেক্রেটরিনা হায়-দিসেম্বর ১০ দা হোজাইগী নন্দপুরদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মীতম খিনগনি অদুগা নুপী লালগী মীতমনা হোজাইগী গোবিন্দপুরদা দিসেম্বর ১২ দা খিগনি।

**কাপবা (এল)ঃ** নোনে জিলাগী খৌপুম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সাংজি ভিলেজতা ঙসি অয়ুক পুং ৮ মিনিট ৪৫ রোম তাবা অদুৱাইদা আইনা থিংখ্রবা লালহৌলুপ এন.এস.সি.এন (আই.এম) অমসুং জেট.য়ু.এফ (জে) গী মরক্তা নোংমৈ কাপখ্রে। মফম অদুদা অসাম রাইফলস অমসুং খৌপুম পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা চংশিনদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা

মীশি মীনা অমদি অশোক অপন য়াওবগী পাউ ফংদ্রি।

অমরোমদা, জিলা অসিগী তুপুল অমদি পোংরিংলোং খুলগী নুপীশিংনা তুপুল বজারদা রেল্লি অমা চৎখ্রে। রেল্লি অদুদা ঐখোয় শান্তি পাম্মী, নোংমৈগী কলচর লেপ্লসি হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদুবু রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মনিপুরনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। চেরোল অমদা কাউন্সিল অসিনা হায়-অসিগুম্বা থৌওং অসিনা চমা হিংজবা মীওইশিংদা অকি তুংজ্ পোকহল্লে। অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা তৌবীদনবা মরি লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

**সিএম (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী পল্লেন-চান্দেল লম্বীদা মনিপুর পুলিসনা হেরোইন পাউদর গ্রাম ১৩৫ ফাগৎখিবগী থৌওং অদুবু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ৱার ওন দ্রগসকী কেম্পেইনবু মপুং ফানা চথহন্দুনা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু দ্রগতগী কন্ননবা হোৎনরিবা মনিপুর পুলিসকী থৌনা অদুবু থাগৎলি।

**দিংগো (এল)ঃ** অপুনবা মনিপুর অমগীদমক রাজনিতিগী খেৎনবা থমদনা ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইদুনা হোৎনমীন্নবা তঙাইফদে। ৱাফম অসি সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা ঙসি কানটো শবলদা লাইশ্রম কমলবাবু মাঙখিবগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা শিনবা ৱাকৎ মীফমদা ফোংদোকখিবনি।

মন্ত্রিনা হায়-লাইশ্রম কমলবাবুবু আর্মিগী কেম্পতগী মাঙখিবা হায়বসি আর্মিগী ওইনদি য়ামা ইকায়নিংঙাইনি। মরম অসিনা ৫৭ শুবা মাউন্টেন দিভিজন জি.ও.সিনসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা হায়রিবা মীশক অসি ফংনবা হোৎনগদবনি।

মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-মীয়াম অমদি জে.এ.সিনা পাল্লিবা অদু ফংদ্রিবা ফাওবা মীয়ামগী খোঙজং অসিদা পুন্না শরুক য়াগনি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** জিরি য়ুনাইটেদ কমিতি, জিরিবামনা শিনদুনা ঙসি জিরিবামগী কংগ্রেস ভাবন মমাংদা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা নুপী অঙাংবু তমথিনা হাৎখিবা টেরোরিষ্টকী থৌওং য়ানিংদে, মনিপুরদা অফস্পা নৌনা থমজিল্লকপা য়ানিংদে, ঐখোয় শান্তি পান্মী হায়না থাবা বেন্নরশিং শিজিন্নখি।

**রেল্লি (এল)ঃ** ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন, মনিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন-ইন্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কমিতি অমসুং অমৌভো চালৌ য়ুনিটনা শিনদুনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা পাঙথোকখ্রে। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামনা মনিপুরদগী অফস্পা লৌথোকউ, নুপী অঙাং ফাদুনা হাৎপা য়ানিংদে হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--(ববিনা)**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**---সিগনেচর ট্যুন---(গোং)**

**ঝরখন্দঃ** ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চাগী মকোক-হেমন্ত সোরেন, ঝরখন্দগী মরিরকশুবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা রাঞ্চিগী মোরহাবদি মৈদানদা পাঙথোকপা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা রাজ্যগী রাজ্যপাল-সন্তোস কুমার গঙ্গৱারনা শ্রী সোরেনবু

অরোনবা ঙাকপা অমসুং থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌবগী থৌরমদা ইন্দিয়া ব্লোক্কী লুচিংবশিং য়াওনা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজ্ন খর্গে, ওপোজিসন লিদর-রাহুল গান্ধি, নোংচুপ বেঙ্গোলগী মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জি, পঞ্জাবকী মুখ্য মন্ত্রি-ভগবত মন, দিল্লিগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-অরবিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং করনাতক্কী উপ মুখ্য মন্ত্রি-দি.কে. শিবকুমার শরুক য়াখি৷

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-লৈবাক অসিনা ঙাকশেলগী লমদা তৌবা ঙস্বশিং মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংনা মশক খঙনবা হৌরক্লি।

তামিল নাদুগী ৱেলিংটন উতিদা লৈবা দিফেন্স সার্ভিস ষ্টাফ ত্রেন্নিং কলেজতা ত্রেন্নিং হৌদোকপদা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-হীরম কয়াদা হৈথোই শিংথোইরবা থৌনা ফবা নুপীগী ফোর্সশিংগীদমক লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা চাউথোকচবা পোকই। ত্রেন্নিং কোর্স অসিদা শরুক য়াবা লাকখিবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী নুপী ওফিসারশিংদসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

রাস্ত্রপতি-মুরমুনা হায়-ঙাকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওই খুদিংমক লৈবাক্কীদমক্তা কৎথোক্লবা অমদি লৈবাক্কী খক খনদুনা থবক তৌবা মীওইশিংনি। মখোয় মখোয়গী ইমুংশিংনা কৎথোকপা কয়াগা লোয়ননা হোৎনরিবশিংবুসু মহাকা শিংথাখি।

**এম.এম.টি.য়ু (এল)ঃ** মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন অমদি প্লেটফোর্ম ফোর প্রোটেক্সন ওফ ইন্দিজিনস পিপল (এম.এম.টি.য়ু) না খুৎশমদুনা থা অসিগী ৩০ দা ‘ প্রোটেক্সন ওফ ইন্দিজিনস পিপল ওফ মনিপুর’ হায়বসিদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল হোটেলদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসি ভারত অপুনবগী ওইবা য়েলহৌমীশিংগী ওইবা ফোরম ‘অদিভাসি শমনভে মঞ্চ ওফ ইন্দিয়া’ গী লীচিং মখাদা শিনবনি। মীফম অসিদা লমদম অসিগী য়েলহৌমী

লুচিংবশিং অমসুং ইরৈচাশিংনা শরুক য়াবীনবা এম.এম.টি.য়ুনা মীয়ামদা ফোংদোরক্লি।

**চান্দেল (এল)ঃ** ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মনিপুর (অন্সম) গী অহুমশুবা মীফম চান্দেল জিলাগী চান্দেলগী চান্দেল খৃষ্টান ভিলেজতা ঙসি লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা নুঙবী অমসু অন্সমগী প্রসিদেন্টনা মায়খুম হাংদোকখি।

**লেকচর (এল)ঃ** সে-নো-টু দ্রগস হায়বা হীরমদা অসাম রাইফলসনা লেকচর প্রোগ্রাম অমা নোনে জিলাগী লৈশোক ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

লেকচর প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, নহাশিংবু দ্রগতগী লাপবা লৈহন্নবনি হায়রি।

নহাশিংবু হকচাং ফনা লৈনবগী পান্দমদা, চান্দেল জিলাগী খেংজোই সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা সাইবোল-জাউপি ভিলেজতা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা মিণি মরাথোন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মরাথোন অদুদা নুপা ৬৪ অমসুং নুপী ৬৭, অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ১৩১ না শরুক য়াখি। তুংদা মকোক মথং তারক্লবা নুপা অমসুং নুপীদা মনা মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**---সিগনেচর ট্যুন---(গোং)**

**সংসদঃ** বিরোধিনা চরাংনবা থোকহনবদগী সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে।

অদানি গ্রুপকী মায়োক্তা শেঞ্জা থুমজা চথুবগা মরী লৈননা কংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্টি, দি.এম.কে. অমসুং অতৈ দলশিংনা চরাংনবা থোকহনবদগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা পাঙথোকখি।

রাজ্য সভাদসু অহানবগী ওইনা মীফম য়ৈথোক্লুরবা মতুং নুমিৎয়ুংবদা মীফম অমুক হৌরকপদা কংগ্রেস, লেফট দল, দি.এম.কে, ত্রিনামুল কংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্টি, আম আদমি পার্টি অমসুং অতৈ দলশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ননবা পুখৎলকপদগী চরাংনবা থোক্লুনা সভাগী মীফম য়ৈথোকখি। বিরোধিশিংনা সভা অনিগী মীফম নীংথিনা চথুবা য়াহনবীনবা আপিল তৌখি। অদুমওইনমক, বিরোধিশিংনা চরাংনবগী থবক মখা তানা অদুম্মক মখা তানা চথুখিগনি।

সংসদকী মীফম হায়বসি নীংথিনা খন্নদুনা থবক থৌরমশিং নিংথিনা পায়খৎনবা প্লেটফোর্ম অমনি, চেয়ারমেনবু মতেং পাংবীদুনা সভাগী মীফম নীংথিনা চথুবা য়াহনফম থোকই। চরাংনবা থোকহনবনা গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল শোন্থহনগনি।

লোক সভাদসু অহানবগী ওইনা মীফম য়ৈথোক্লুরবা মতুংদা নুমিৎয়ুংবদা মীফম অমুক হৌরকপদা মখা তানা চরাংনবা অদুম্মক থোকখি। বিরোধিশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরমদা ৱাফম কয়া পুখৎলকপদগী মীফম নিংথিনা চথুবা য়াখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

**মিজোরামঃ** মিজোরামগী মেলবুক্তগী অসাম রাইফলস অমসুং মিজোরাম পুলিসনা লুপা কোতি অমা লাখ ৯৩ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন নম্বর ফোর ফাগৎখ্রে।

পোৎলমশিং অদুবু পুরকপা ম্যান্মার মচা অমসু ফাগৎপা ঙমলে।

**এনএসজি ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না জম্মু সিতিদা নেসনেল সেক্যুরিতি গার্দস (এন.এস.জি)গী পার্মেনেন্ট হব অমা হাংদোকখ্রে। মসিনা মফম অদুদা অচৌবা তেরোরিষ্টশিংগী এটেক চত্থরকপা মতমদা খুৎলৈ থুনা মায়োকবা ঙমবনি।

ঐখোয়গী জম্মু পাউমীনা হায়-হৌখিবা মতম খরা অসিদা জম্মুদা তেরোরিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা এটেক কয়া চত্থরকখিবা অদুগী য়েংলগা হেন্না কনবা থবক লৌখৎপা ঙমবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। অৱাংবা বিল্ডিংশিং, সেক্যরিতি রেষ্টোরেসনশিং অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা তেরোরিষ্টশিংনা এটেক চত্থরকপা থিংননবা জম্মু কাশ্মীর পুলিসনা শেমখিবা থৌরাং অমগী মনুং চন্না এন.এস.জি কম্মান্দোশিং থম্বা হৌরকখিবনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, নাউরেম ভিক্তরদগী--**

**---স্পোর্টস ট্যুন---**

**বেদমিন্টন (এল)ঃ** মনিপুরগী বেদমিন্টন শান্নরোই-মৈরাবা লুৱাং, সয়িদ মোদি ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২৪ গী ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

লক্ষনৌদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মৈরাবনা আইরলেন্দগী নাথ নুয়েনবু ২১-১৫, ২১-১৩ দা থোইখি। ক্বাটর ফাইনেলদা ভারতকী শান্নরোই ৱার্ল্ড নম্বর ফোরটিন-লক্সিয়া সেনগা থেংনগনি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিমেন্স দবলস ইভেন্টতা প্রিয়া কোঞ্জেংবম অমসুং মহাক্কী জর়া-সুরতি মিসরানা ভারতকী জর়া-কবি প্রিয়া সেলভাম অমসুং শিমরন সিংহবীবু ২১-১৫, ২১-১২ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

**রোল-বোল (এল)ঃ** গুৱাহাতিগী রুত্রসিংহ রোল-বোল গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৩০ দগী দিসেম্বর অমা ফাওবা পাঙথোক্কদবা অনিশুবা ইষ্ট জোন রোল-বোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা শরুক য়াগদবা মনিপুর জ্নিয়ার রোল-বোল প্লেয়ারসশিংদা মনিপুর টিমদা শান্নবদা চংগদবা পোৎলমশিং অমসুং য়ুনিফোর্মশিং রুরেল দিবলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি য়েন্থোকখ্রে। য়েন্থোকপগী থৌরম ইম্ফাল ইষ্টকী নৈলিটতা লৈবা সেমিনার হোলদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখি।

**সেলেক্ট (এল)ঃ** মথং থাগী ১৪ দগীনা ৩১ ফাওবা হায়দ্রবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ট্রোফি-২০২৪-২৫ (ফাইনেল রাউন্দ) দা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোক্লে। মিং য়াওরক্লবা শান্নরোইশিংনা লাক্লিবা তাং ৩০ গী পুং ৯ তাবা মতমদা লমলোংগী আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা লাক্কুনা টিম ওফিসিএলশিংদা রিপোর্ট তৌরনবা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ অমসুং ১৫ শুবা অম্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ-২০২৪-২৫, হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ইরাংনা মরম ওইরগা মথং চহিগী জানুৱারীগী অনিশুবা চয়োল ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) গী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**ট্রেন্নিং (এল)ঃ** গুজরাটকী রাজকোটতা পাঙথোক্লিবা ৬৮ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস সুইমিং ২০২৪ গী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা মনিপুরগী লাইতোনজম লনচেনবনা মিটর ৫০ গী সুইমিংদা সনাগী তকমান ফংখ্রে। দেবিৎ সাপমনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখ্রে।

**বোদি(এল)ঃ** হরিয়ানাগী গুরুগ্রামদা মথং থাগী ২১ অমসুং ২২ দা পাঙথোক্কদবা অহানবা নুপা অমসুং নুপীগী ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা শরুক য়াগদবা মনিপুর বোদি বিল্ডিং টিমগী খল্লবা মীওইশিংগী লিষ্ট ওল মনিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসননা লাউথোকখ্রে।

**বাস্কেটবোল (এল)ঃ** হয়েংদগী হৌরগা মথং থাগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৯ শুবা নেসনেল য়ুথ বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মনিপুরদগী শান্নরোই ১২ অমসুং ওফিসিএল অহুম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

**তেংবাং(এল)ঃ** তেলঙ্গানাদা পাঙথোক্কদবা নেসনেল লেবেল বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াগদবা মোদেল ক্লব-শিংজমৈ চিংঙামখাগী খল্লক্লবা শান্নরোইশিংদা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী অঙম্বা শেলগী তেংবাং পীখ্রে।

---**দ্বিজমনি**---

**--হৌজিক অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মনিপুরদা মহেলোইশঙশিং হয়েংদগী মহৌশাগুম ক্লাস চখৎবা হৌরগনি।

২) ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চাগী মকোক-হেমন্ত সোরেন, ঝরখন্দগী মরিরকশুবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

৩) রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-লৈবাক অসিনা ঙাকশেলগী লমদা তৌবা

ঙম্বশিং মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংনা মশক খঙনবা হৌরক্লি।

**অমসুং**

৪) বিরোধিনা চরাংনবা থোকহনবদগী সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে।

**--- পাউ লোইজরে---**